# নমথাংজাং ভিলেজগী চীফতা মরাল শিজিনবা অমদি য়ুমকৈ থুগায়রম্বা পেন্দে

এসএনএস

ইম্ফাল জুন, ২৪ ঃ তামেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ন্যু কৈথেলমানবী নমথাংজাং রোংমৈ ভিলেজদা সৈদাংদুনা লৈরম্বা মীওই খরনা ভিলেজ অসিগী চীফ আর কাতাঙমবু এনআরইজিএসকী শেনফম হৈনথোকখ্রে হায়না মরাল শিবগা লোয়ননা মীওই কয়াগী য়ুমকৈ থুগায়রম্বগী থৌওংবু পেন দবা ফোঙদোক্লখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালগী ওদিটোরিয়মদা পাউমীশিংগা উন্নবদা ভিলেজ অসিগী সেক্রেটরী আর মপুদিংনুংনা হায়, নিউকৈথেলমানবী নমথাংজাং রোংমৈ ভিলেজ অসি ১৯৮৭দা আর কাতাঙম্না শেন্নম্বনি। মতম খরগী মতুংদা কেজি কালুং কৌবা অমনা ভিলেজ অসি খোঙলাং পার্ট–২গী মনুংচনগদবনি হায়না ফোঙদোকি–খবা লৈখি। মশানা মশাবু খোঙলাং পার্ট–২গী চীফনি হায়জবা কেজি কালুংলাং হায়খিবা ব্রাফম অদু হেন্না চাউথোরকপদগী ২০০৪ দা হায়কোর্টতা কেস থেংনরবা মতুং ২০১৪ দা আর কাতাঙম্না ঙমখি।

খোঙলোং পার্ট–২ হায়রিবা খুল অসিসু অশুম–অশুম মুখ–রকখি। কেসতা মায়থীখিবনা মখোয়গী লৈফম লৈররোই অদুবু নমথাংজাং রোংমৈ ভিলেজদা মখা তানা লৈহনবীয়ু হায়না কালুং অমদি খুঞ্জাশিংনা হায়জরকখি। মদুদা কষ্টমরি লোগী মতুংইন্না ইরোই অমা য়ু অমদি শেল ওইনা লুপা ৫,০০০ কোংলবা মতুংদা ভিলেজ অসিদা মখোয় লৈহনখিবনি। মখা তানা লম অসি মখোয়গীনি হায়না ক্লেম তৌরক্লবদি খুলদগী তান্থোকপা অমসুং ক্রিমিনেল কেস চখবদা মশানা য়ারে হায়না ২০১৪গী জুন,২১ দা এগ্রিমেন্ট অমা ইন্নরগা লৈহনখিবনি। কেসতা মায়থীহৌবা অদুনা মরম ওইরগা চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ১৫ দা ভিলেজ চীফনা এনআরইজিএসকী পৈশা হুরাল্লে, খোঙলোং পার্ট–২গীদমক থাদরকপা শেনফম হায়হৎলে হায়না হায়জিল্লগা খৎনবা হৌরকি–খবনি।

মুৎখ্রবা ভিলেজ অদুগী ওইনদি এনআরজিএসকী মখাদা পৈশা অমফাওবা থাদরকখিদে অদুবু ভিলেজ অদুদা লৈরম্বা য়ুম্নাক ৫৪ নমথাংজাং রোংমৈ ভিলেজ দা মর্জ তৌখ্রবনিনা মখোয়গীসু এনআরইজিএসতা হাপ্পীনবা মরী লৈনবশিংদা চে থারিবনি। মরক অসিদা মীওই খরনা লুচিংলগা ইরাং শাগৎলগা য়ুমকৈ থুগায়বগী থবক চখরকপা অসি পেন্দে অমসুং নুঙাইতে।

ভিলেজ সেক্রেটরী আর মকুদিংনুমনা মখা তানা হায়, মখোয়না চখখিবা থৌওং অদু কুপ্পা য়েংশিবীনবা জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন ইম্ফাল জোনদা অইবা চেরোল পীদুনা ব্রাকৎখ্রে লোয়ননা মখোয়না মাং তাকহনখিবা য়ুমকৈ অদু শিংগদবনি হায়না য়ুনিয়ন্না ফোঙদোরকপসু লৈখ্রবনি। য়ুনিয়নগী ব্রারোল অদু থবক্তা ওন্থোক্তবদগী জেলিয়ারোং য়ুঠ ফ্রন্টতা অমুক হন্না ব্রাকৎখি। য়ুঠ ফ্রন্ট অসিনসু মাং তাকহনখিবশিং অদু শিঞ্জো হায়না মখোয়দা খঙহনখিবা লৈখ্রবনি।

মরক অসিদা কাঙলুপ খোল্লগা ইরাং শাগৎলিবা অসিদা কনাগুম্বা অমত্তা শৌগৎপীগনু। মীগী ময়ুম হঞ্জিন–হঞ্জিন থুগায়বা, অকি–অখঙ থোকহল্লিবা মীওইশিংগী লাংদা থুবীগনু। মখোয়না মাঙহন–তাকহনখিবা লন–থুমশিং অদু নিংথীনা য়েংশিনবীনবা সরকারগী মায়কৈদগী কম্মিটি অমা শেম্বীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা অপিল তৌখি।

পনবা য়াই জেলিয়াংরোং য়ুঠ ফ্রন্টকী জেনরেল সেক্রেটরী জেনপাও দাইমৈনা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমদা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফাদুনা আইনগী ওইবা চৈরাক চপ চানা পীগদবনি হায়না পুং ৪৮গী মতম পীখিবনি।

থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই অনীদি ফারে হায়বগী পাউসু লৈ–খ্রবনি। মীয়ামদা অরানবা পাউ শন্দোক্তুনা অমদি লান্ন লামজিংদুনা চমম্নবা অমদি ভাব তান্নদবা থোকহন্নবা হোৎনবসি আইনগী মতুং ইন্না মীওইশিংদু বুক তৌবা য়াই হায়বগী অকনবা ব্রাফমসু য়ুঠ ফ্রন্ট অসিনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।

# ত্রাইবেল মুভমেন্টকী নুমিৎ ৩০০নি শুবা থৌরম চুরাচান্দপুরদা পাথোক্কদৌরি

এসএনএস

ইম্ফাল জুন, ২৪ ঃ লাক্লিবা জুন ২৬তা ত্রাইবেলশিংনা মখোয়গী মপা–মপুনা থম্বীরম্বা ত্রাইবেলগী লম, মখোয়গী রাইট অমদি মখোয়গী আইদেন্টিটি কম্যুনেল ওইবা মণিপুর গভর্নমেন্ট অমদি মৈতৈ অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসনগী অপুনবা কোরকোমনা শৌগৎপা তম্পাক্তা কুম্যনিটিশিংগী মায়োক্তা শোক্লবগী নুমীৎ ৩০০নি শুবা ত্রাইবেল মুভমেন্টকী নুমীৎ পালন তৌগনি হায়না জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেষ্ট এন্টি ত্রাইবেল বীলসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

‘নুমীৎ অসিদা মালেমগী মফম পুন্নমক্তা লৈরিবা ত্রাইবেল ইচিল–ইনাও অমদি ইচে–ইচলশিংনা ঐখোয়গী ইশ্বরদা কপচদুনা হায়জদুনা ঐখোয়গী ইপা–ইপুগী লম কনবীনবা হঙ্গৎচবদা শরুক য়াবীনবা হায়জরি’ হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোক্লি।

ব্রাকৎ অমদি অব্রাবা ফোঙদোকপা নুমিৎ ৩০০নি শুবা নিংশিংবা ওইনা ত্রাইবেল চর্চশিং অমদি মালেমগী ফেলোসিফশিংনা অব্রাবা ফোঙদোকপা অমদি পুন্না লাইশোন শোনবীনবসু অপীল তৌরি।

ঈহৌ অসিগী হৌরকফম ওইরিবা চুরাচান্দপুরদা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেষ্ট এন্টি ত্রাইবেল বিলনা নুমিৎ অসিগী নুংথীল পুং ১ তাবদা ব্রাইপিএ জেনরেল হেদ ক্বাটর হোলদা মীয়াম্না অব্রাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লাই খুরুমগনি। নুমিৎ অসিদা গারি চখোক–চৎশিনদা অথীংবা নৎত্রগা সটদাউন তৌগনি।

ত্রাইবেলগী চীফশিং অমদি পাষ্টরশিংগী দিলিগেসন অমা দিল্লিদা থাগনি তৌরম্বা অদুদি য়ৈথোক্লে হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোদোরক্লি।

লমায় ১ গী মখা

# পুং ৪৮গী বন্দ লোইশিনখ্রে মফম কয়াদা রেল্লি চৎখ্রে টিয়ার গ্যাস কাপখ্রে, নাওরিসু কাপ্নখ্রে

পুলিসকী মায়কৈদগীসু টিয়ার গ্যাস অমদি মোক বোম কয়া কাপখি। কায়দুনা চেল্লুরবা মীয়াম অদু শিংজমৈ থোংখোঙদা অমুক হন্না পুন্দুনা মণিপুর চীফ মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টরগী ইফিজি মৈ থাখি।

মদুদসু টিয়ার গ্যাস অমদি মোক বোম কাপ্তুনা তানখায়খি। মীয়ামগী মাইকৈদগীসু পুলিস তম্না নাওরি কাপ্পা লেপখিদে।

শিংজমৈ থোং ব্রাংমা ব্রাংমা নাওরিগা টিয়ার গ্যাসকা কাপ্নরিঙৈ ইম্ফাল ইষ্টকী এদিস্নেল এস পিনা লুচিংবা অহেনবা পুলিস তিম অমা লাক্তুনা মীয়াম অদু মোংখাঙ লম্বী ফাওবা তানখায়দুনা ইরাং অদু লোয়শিনখি।

ঙরাং অহিং নোংয়াইদগী হৌনা চখরকখিবা বন্দনা মরম ওইদুনা খ্বায়রমবন্দ কৈথেল কান্নখিদে। দুকান থোঙ হাংনখিদ্রে। স্কুল কোলেজশিং হাংনখিদে।

বন্দ মনুংদা কোমথোকপা ধর্ম–কর্ম, মৈ–ঈশিং, অনা–অয়েক্কা মরি লৈনবশিং নত্তনা লম্বীদা গারী অমত্তা চেন্নখিদ্রে। সরকারগী ওফিসশিংদা কর্মাচারি কাবগী চাং হন্থখি হায়রি।

# মীতোপ ৪৮পুশিল্লক্লম্লে

থৌদোক থোকফমদগী ফঙবা পাউগী মতুংইন্না বন্দ শৌগৎপা কাংবু অদুনা অচৎ–অওক চেক তৌরুবদা বীহারদগী লাকপা চে–চাং মথোং মরম খঙ্দবা মীওইশিং অদু চৎনবা য়াবা চে–চাং পায়বা মীতোপ অমনা মণিপুরদা থবক পীনবা পুরকপনি হায়বা খঙবা ঙমখি।

নুপীশিং অদুনা বস অদু ফাদুনা থল্লগা জেসিআইএলপিএসতা পাউ পীরবা মতুংদা ব্রুমেন্স ব্রিংগী কাঙবুনা বস অদুগী চে–চাং ফাগৎলকে–খ্র। অদুগা মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা মীতোপশিং অদুনা সেকমাই পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

ব্রাথোক অসিগী মতাংদা মফম অদুদা লৈরম্বা ভোলুন্টিয়ার অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না মণিপুরদা য়েলহৌমী কন্নবা মীতোপ থীংনবা ঈহৌ কন্না চংশিল্লিঙৈ চৈরক্তা মীতোপ পুশিল্লকপগী থৌদোক অসি লায়না লৌদে মতুংদা অসিগুম্বা থৌদৌ অমুক হন্না চখবীদনবা হোৎনবীয়ু নৎত্রবদি পামদবা থৌদোক থোক্লককপা য়াই

## তাবা অমদি ঙাংবা নিংথিনা ঙমদ্রসু শেঙ্থোক লৈবা শিনফম পায়বা য়াই

লোইননা খুন্নাইসিদা য়াওরি। নুরিদা মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইদুনা পাঙ্গল থোক্লা থবক শু–নোম্বদা অব্রাবা ওইবনা ইমুং মনুংগী মতেং কাহেন্না পাঙবা ঙমদ্রে। মহাক্না কল্লিঙৈ মতমদদি মতম মতমগী ওইবা অফংবা থবক তৌদুনা ইমুংগী শেঙ্থোক্তা মতেং পাংলম্মী হায়রি।

পনবা য়াবদি নসিরগুম্না খোঞ্জেল তাবগী পাঙ্গল ব্রাৎলিবা মীওই কয়ানা থেংনরিবা মখল মখাগী খুদোংচাদবশিং হন্থহন্নবদা অচৌবা মতেং ওইনবা ষ্টেটসিগী দাইরেক্তোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেস গী দাইরেক্তনা হোৎনদুনা মথং থা জুলাইদা খোঞ্জেল তাবা ব্রাৎপশিং লেম্না লায়েংনবা শিল্লি। কেম্প অসিদা শরুক য়াবা মীওইশিংগী মরক্তা খোঞ্জেল ময়েক শেংনা তানবগী খুৎলাই হাপ্পা মথৌ য়াওরবদি লেম্না ফংহনবগী খুদোংচাবা ফংহনগদবা থৌরাং শেম্বা লোইখ্রে।

গভর্নমেন্টনা অখন্ননা শিনবা মেদিকেল কেম্প অসি জুলাই মাপনদগী হৌদুনা জুলাই ৩১ ফাওবদা মণিপুরগী মনুং হঞ্জিনবা মফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফম শিনবা থুংনা পাঙথোক্লবা শেম শারিবনি। কেম্প অসি কদাইদা করম করম্বা মফমশিংদা পাঙথোক্কদগে হায়বনচিংবা অকুপ্পা ব্রারোল খঙনিংবশিংনা মেদিকেল দাইরেক্তোরেট, আসা ব্রার্কর অমসুং হেল্থ সেন্টরশিংগী খঙবা য়াগনি হায়না নেস্নেল প্রোগ্রাম ফোর প্রিভেনসন এন্দ কন্ত্রোল ওফ দিফনেসকি ষ্টেট নোদেল ওফিসার ডা পি ধাকেশ্বরনা ফোংদোকখিবা লৈরবনি।

## জেসিআইএলপিএসকী খোঙজং চখরি

লম্লোং কৈথেলদগী টোপ তুরেল ব্রাংমা মখা লৈকাই ফাওবা, নোংমৈবুংদগী পোরোম্পাৎ দিসিরোদতগী টোপ থোঙ ব্রাংমা ফাওবা চংশিন্নবা শেম–শাবা পুম্নমক লোইখ্রে হায়রি।

## ফাখিবা মঙ্গী জেসিআইএলপিএসকা মরী লৈনদে, থা অসিগী ৩০ দা মহৈরোইশিংগী বাইক রেল্লি চৎলগনিঃ *বিকে মোইরাংচা*

মহাক্না মখা তানা হায়, চংশিল্লকখিবা খোঙজংদা মমাং চহী জুলাই ৮ দা থব্রায়না পোন্থা পী–খ্রবা মহৈরোই রোবিনহুদ লৈ–খদবগী চহী ফারকপা থৌরম মহাক্কী হকচাং অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিবা নীংশিং খুভম অব্রাচীংদা মথং থা জুন ৮ দা হৈকৎ–লৈকৎ তম্বগী থৌরম পাঙথোক্কনি। মসিদা মহৈরোইশিং অমদি লৈবাক মীয়াম্না পুন্না শরুক য়ামিন্নসি। পাঙথোক্কদৌরিবা রোবিনহুদকী হৈকৎ–লৈকৎ থৌরম অসিগীদমক মীয়ামদগী অখন্ননা তেঙবাং লৌবগী থবকসু চংশিঞ্জগনি। মসিদা মীয়াম্না অঙম্বা তেঙবাং পীবিয়ু হায়নসু অপিল তৌখি।

## ঙসি পোলিতিকেল

ব্রারি শান্নবা অদুদা মপুং ওইবা বিল অমা ওইরিবা পি এম পি বিল, ২০১৫ অসি নৌনা য়েংশিন দুনা মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট শোক্লোইদবা মওং দা মণিপুরদা লৈরিবা য়েলহৌমীশিং কনবা ঙম্নবা অনৌবা আইন অমা লিগেল এক্সপার্টশিং অমসুং কন্স–টিট্যুস্নেল এক্সপার্টশিংবু য়েংশিনহন্নবা খঙহল্লকখিবনি লোয়ননা হোম মিনিষ্টরনসু মহাক মশাক্না এক্সপার্টশিংগা তান্নরবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরদা পাউ পীরক্কনি হায়বগী থাজবা পীরখিবনি।

## মীশি মীনা থোকপা য়াবা ফিভমদা কৈথেল নমথখিবদু তুমিন্না লৈফম থোক্তে ঃ জয়কিষন

চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী কেন্দ্রদা শাবা কৈথেল অমা নমথদুনা মহাক্কী প্রজাশিং হাৎকে তৌরবা ফাওবদা কন্ট্রেক্টরগী মথক্তা করিগী এক্সন লৌদবনো, মসিগী ব্রাহন্থোক করিনো হংখি। মণিপুরদদি তৌনদবা, তৌগনিসু থাজদবা অতৈ ষ্টেটতা ওইরবদি চীফ মিনিষ্টর মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোকখ্রগনি। মরম অসিনা অসিগুম্বা গভর্নমেন্ট অসিগী মথক্তা মীয়াম্না খোঙজং চংশিন্দুনা পাড়া তম্বীরসি হায়খি।

বি জে পিগী এক্তিভ মেম্বর জিবনকুমার য়ুম্নাম্না হায়, থৌবাল ব্রাংমতাবদা লৈরিবা সোপ্পিং কমপ্লেক্স অসি য়াম্না শাথিনা পৈথরগা লৈরে। লৈবাক হোম হোম লাওবা অমসুং লৈঙোয় ওইনা তৌবা মফম অসি চহি খুদিংগী ওইনা লৈবাক নিংখায়দুনা লৈবা মফমনি।

অসিগুম্বা কৈথেলশঙ অমা য়ুহার হাবসু নত্তবা, নোংসু চুদবদা নমথরক্তুনা মীশি মীনা থোকপা য়াবা ফিভম অমা লাকহনবা অসি থবক তৌবদা ক্বালিতি কন্ট্রোল তৌদবগীনি লোয়ননা মসিগী দায়ত্ব অসি কনানা পুগদৌরিবনো হংখি। মতম অদুগী ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী চেয়ারপার্সননা হায়রিবা থবকশিং অসি য়েংশিন্দবদগী থোকপনি হায়খি।

## জেসিআইএলপিএসনা কৌখিবা ঙরাং অহিং লোইশিনখ্রবা পুং ৪৮গী মণিপুর বন্দ মনুংদা তোঙান–তোঙানবা মফমদা ওইখিবা শক্তম



ফোটোঃ সনালৈবাক



ফোটোঃ সনালৈবাক



ফোটোঃ সনালৈবাক



ফোটোঃ সনালৈবাক



ফোটোঃ সনালৈবাক